ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯁꯒꯣꯜꯁꯦꯟ, ꯅꯣꯚꯦꯝꯕꯔ ꯰꯳, ꯲꯰꯲꯲, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯶ ꯁꯨꯕ ꯆꯍꯤ, ꯲꯲꯳ꯁꯨꯕ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
শগোলশেন, নবেম্বর ০৩, ২০২২, ইম্ফাল
৪৬শুবা চহী, ২২৩শুবা মশীং

# কোনুংগী সনথোঙ থোমগাইরম্বা কদাইদনো'মা ইহো হোরি

হেরিটেজ, মোন্যুমেন্ট নৎত্রগা হিষ্টোরিকেল সাইটকা হায়বা ৱাফমশিংসি মণিপুর লৈঙাক্কী মায়কৈদগী য়াম্না তোয়না পল্লি। লৈঙাকসিগী মকোক থোংবা অচৌ-অশাং অঙম্বশিংনসু হায়, মরী লৈনবা অমসুং লৈনদবা লোয়শঙশিংগী ওফিসলশিংনসু হায়। মখোয় পূম্নমক্না হান্নদগী হায়দুনা লাকপগী মথক্তা হন্দক নবেম্বর ২১, ২০২২দগী নুমিৎ ১০নি চূপ্না পাঙথোক্কদৌরিবা মণিপুর সঙাই ফেষ্টিবেল হৌনবগী মীকূপ নকশিল্লকপদগীদি খরগসু তোয়না চিন্দোন-লৈতোন্দা পকপদৌনসু তৌরল্লি। হায়সনু, পকসনু। হায়ফম থোকই, পকফম থোকই। পুৱারীগা শাগোন্নরল্লবশিংগী মনুংদগী চহী অসুক শুরবশিংদি হিষ্টোরিকেল মোন্যুমেন্ট এক্টকী মরী লৈনবা প্রোভিজনশিংগী মখাদা 'প্রোটেক্টেদ এরিয়া নৎত্রগা সাইট' (ঙাক-শেন্দুনা চেকশিল্লবা মফম) ওইনা মীয়ামদা লাউথোক্তুনা খঙহল্লক্লিবনি। টুরিজম সেক্টর হেন্না মপাঙ্গল কনখৎহন্নবগীদমক অউপ্পা উনা লোংথোক্তুনা থিবগা লোয়ননা অরৈবা পান্বে পুথোক্তুনা হোৎনরক্লিবা মণিপুরনা পুৱারীগা শাগোন্নরকপশিং থিদোক্তুনা মশক খঙদোকপা, চেকশিন্না ঙাক শেনবগী থবকশিং লৌখৎলকপা হায়বসি তৌফম থোকপনি। তঙাইফদনা তৌফদ্রবা থবকশিংনি। অদুবু মণিপুরগী পুৱারীগা শাগোন্নরকপগী মথক্তা ষ্টেটসি নিংথৌ পানবা লম অমা ওইরম্মী, নিংথৌগী কোনুং লৈরম্মী হায়বদা মরু ওইবা মচাক অমা ওইরিবা ময়াম্না পেলেস গেট হায়না খঙনরক্লিবা মফমসিদা লৈরকপা সনথোঙগী উখোকতেন অনীগী মনুংদা সিটি কনভেন্সন সেন্টররোম থংবা নোংচুপলোমগী শরুক্তা লৈরকপা অমা ওক্টোবর ৩১, ২০২২গী নুমিদাং পুং ১১ খরা হেল্লকপদা খোঙজেল য়াঙনা থৌরকখিবা কার অমনা থোমগাইদুনা থুগাইরম্লে। কারদু কোনুং মনুংলোমদগী থৌরকখিবনি। অদুগা গাড়ীসিবু থৌরকখিবা মীওইদুসু য়ু ফজনা থক্লকপগী মনম নম্মীসু হায়রি। থৌদোকসি থোকখিবগা পুলিসনা মহাকপু গাড়ীদুগা কোন্ননা লৌখৎখি। মথং নোংঙানবগী অয়ূক্তুনা আর্ট এন্দ কলচর লোয়শঙগী দিরেক্টর, আর্কিওলোজিগী সুপরিন্টেন্দেন্টনা ইঞ্জিনিয়রশিংগা লোয়ননা লাক্তুনা য়েংশিনখি। কারনা থোমগাইরম্বগী চেক য়াওনা অকাই অতোয়শিং পুল্লপ খুনগৎলগা নক্লনা লৈবা মণিপুর ষ্টেট ফিল্ম দিভেলপমেন্ট সোসাইটি (এম এস দি এফ এস) কী কেম্পসতা হোনজিন্দুনা থমখি। নবেম্বর ২১, ২০২২দগী হৌগদবা মণিপুর সঙাই ফেষ্টিবেল হৌদ্রিঙৈগী মমাঙদা হান্নগী মচাকশিং অসি শীজিন্নদুনা অমুক হন্না শারগনি হায়দুনা ফাওবা ফোঙদোকখি।

নুমিদাং কারনা থোমগাইরম্বদগীনা ওফিসলশিং লাক্তুনা য়েংশিল্লবা ফাওবদা লৈখ্রিবা থবকশিংসিদি তৌদবা য়াদ্রবা অফবা থবকনিদি হায়ববু থৌ লৈতবা মীওইনা থোইদিং শংবাই অমা হৈদোক্লগা খুল্লি হায়বগী থৌদৌদুনি হায়নীংলকই। মরমদি অকাই অতোয় থোক্লগা নৌহৌননসু শেমজিন-শাজিনগদবা ওইরবদি মাঙজৌননা প্রোটেক্সন পীহৌদ্রিবা করিগীনো? থুগাইদুনা লৌথোকখিবা য়াবা ওইরগদি নহান্না সিটি কনভেন্সন সেন্টর শেমগৎ-শাগৎলকপদা ফুক্তোক্তুনা লৌথোকখিবা য়ারম্মী। অদুবু সেন্টরসিবু শাগৎলম্বা মতমদুগী লৈঙাক্না পুৱারীগা শাগোন্নরকপনি হায়দুনা শোক্লমদবা শোয়দনা ওইরমগনি। ঙাক শেন্নবা থবকমক পায়খৎলমদ্রবসু। অদুবু মমাঙগী লৈঙাক্তুনসু তৌরমদ্রে হায়দুনা তুংদা লাকপা লৈঙাক্লসু হন্না য়েংদবদগী থৌদোকসি থোকখ্রিবনি। অদুবু পুৱারীগী অশেংবা মশক ওইরিবা কংলা অমসুং মসিগী নোংপোক থোঙ ফাওবদি য়াল্লবা শেলয়াম থাদদুনা শেমগৎ-শাগৎলক্লগা নিংথৌ পাল্লম্মী হায়বগী মিৎনা উবা শক্তমসিবুনা হিষ্টোরিকেল সাইটশিংগী মনুং চলহন্দুনা প্রোটেক্টেদ সাইট অমা ওইহল্লমদ্রিবা করিগীনো? মশ্বাইসিদা খম থেংনা ঙকই। ঙকপদা নত্তনা কদাইদনো'মা ইহো হোবদৌনা তৌই। মসিদি চুমদে। থোমগাইরল্লিবা মীওইদুগী মায়কৈদগীসু থৌওইনা অতম্লনা তৌগে হায়বা য়াওনা তৌবসু ওইরম্লোই। শোয়খিবা ওইগনি। অদুবু হৌজিক লাক্লিবা ৱাফমদি অমুক নৌহৌননা শাগৎলবসু মী কুংবা মফমনিনা ত্রাফিককী এক্সপার্টশিং তান্নরগা গাড়ী অমসুং খোঙনা চৎপশিংদসু খুদোংচাদবা থোকহল্লোইদবা মওংদা প্রোটেক্সন তৌনবা থবক পায়খৎকদবনি নৎত্রবদি মমল য়াল্লবা হিষ্টোরিকেল মোন্যুমেন্টনা বৈতরনি তুরেল ওইরকপসু য়াই। মরমশিং অসিনা অদুঙৈ কুমজা ১৯০৮গী নবেম্বর ৭ নিংথৌকাবা নুমিৎতগী লৈরকখিবা শক্তমসি নৌনা প্রপ-প্রপ শাগৎলু। মতুংদা অকাই অতোই থোরক্তনবা মতিক চাবা প্রোটেক্সন পীয়ু।

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৫৩

১) **"ৱাখলগী লৈকোল"** হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো অমসুং করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

২) **"থিয়েটর অমসুং নুংগী ৱাখল"** হায়বা লাইরিক অসি কনানা ইবনো?

৩) **"ৱাকৎ"** হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো অমসুং লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

৪) **"জনান্তিক"** হায়বা লাইরিক অসি ওরিজিনেল কনানা ইবদগী মণিপুরীদা কনানা করি মমিং থোন্দুনা হন্দোকপগে?

৫) **"অওনবা সমাজ"** হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম নবেম্বর ১৫, লৈবাকপোকপা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল ***hueiyenliteraryquiz@gmail.com*** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ।

ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# নীংশিংবগী থোঙনাওদা - ৯৬
## (শুমাং লীলা অমদি ঐ)

চাইথোরকপা ৱাখল

নরেন্দ্র নিংঙোম্বা

শুমাং লীলা হায়বসিদি অঙকপা আর্ট ফোর্ম অমনি। মসিগা মান্নরপ তৌবা মওং মচৎ কয়াগী ত্রেদিসনেল ওইবা পর্ফোর্মিং আর্ট ফোর্ম কয়া অমা ইন্দিয়াগী ষ্টেট কয়াদা লৈনরি। য়াকসাগনা, তামসা, যাত্রা, ভৱাই, অনকিয়া নাৎ হায়বনচিংবা কয়া অমা লৈরি। লৈনরিবা পূম্নমকশিং অদু মশা মশাগী চৎনবী অমদি মখোয়গী কলচরগী ওইবা মশক কয়া অদুগা শাগোন্নরগা শান্নবা মখলগী প্লেশিংনি। মীয়াম্না ইকোয় কোয়শিন্দুনা, ইচম চম্না ফোককী ওইবা ম্যুজিক ইন্সত্রুমেন্ট অমদি ঈশৈ শীজিন্নদুনা পর্ফোর্মেন্স পীবনি। অয়াম্বনা মখোয় মখোয়গী লাইনীং লাইশোন অমদি অরিবা ৱারী কয়াদা য়ূম্ফম ওইরগা শান্নবা থেংনৈ। অদুবু মণিপুরগী শুমাং লীলা অসিদি মদুদগী খরা খেন্নে। মণিপুরগী শুমাং লীলাদি অহানবদা ফাগি লীলাগী মশক ওইনা লৈরম্বদগী তপ্না তপ্না হোংলক্তুনা মখল কয়াগী হিষ্টোরিকেল, মিথোলোজিকেল, ফোকনচিংবা লীলা কয়া শান্নখ্রবসু মপূং ওইনা মীয়াম্না হৌজিক পাম্না য়েংনরিবা অসিদি সোসল প্লে ওইনা মখল কয়াগী সোসল ইস্যু/প্রোব্লেম/পোলিটিকেল কয়াদা য়ূম্ফম ওইদুনা হেন্না মপূং মরৈ ফাবা ত্রেদিসনেলগী ওইবা পর্ফোর্মেন্স আর্ট ফোর্ম অমনি। অদুবু হৌজিক্তি ত্রেদিসনেল/ফোক ফোর্ম অমনি হায়বসি হায়বা য়ারিবরা হায়বা ৱাহংশিং মপান লমগী মীনা হংলকখিবা লৈখ্রে। মসিগী মরমদি হৌজিক শুমাং লীলাদা হোংলক্লিবা মশক কয়া অসিনা ওইগনি হায়না খল্লি। তশেংবগীদি মমাঙঙৈদা লৈরম্বা শুমাং লীলাগী মশক অদুদগীদি হৌজিক ওইরিবা অসি য়াম্না হোংলে। মসিদি মীপূম খুদিংনা লোইনা খঙনরিবনি। কোষ্টুম, মেক-অপ, প্রদক্সন ষ্টাইল, ম্যুজিক খুদিংমকশিং অসি শুমাং লীলাদা হোংলক্লবনি। মসিসু মতমগী য়াওলনি, থিংবা ঙম্বা নত্তে। থিংলুবদা শুমাং লীলাগী ফীভম করি লাক্কদগে হায়বা কনানসু হায়বা ঙম্বা নত্তে। হৌজিক্তি লীলাগী শানফম ফাওবা য়াওনা হোংলে। অহানবদা শুপ্নতগী মপূং ওইনা শুমাংদা অদুগা করিগুম্বদনা মান্দোপ্তা শান্নরম্বনি। হৌজিক্তি শুমাং লীলা শুমাংদা শান্নবা ফংদ্রে। মহাক্কী মফম হোংখ্রে। লমহাঙদা মীয়াম য়েংনবগী খুদোং ৱায়োং চাবা মফমদা হোংলে। হৌজিকসু ওদিএন্সনা ইকোয় কোয়না য়েংলি হায়বগী ৱানি। ষ্টেজ নৎত্রবদি শুমাং লীলা শান্নবদা খুদোং চাদবদৌনা ফাওরে। মসিগী মরু ওইবা মরমদি, মীয়াম পূনবা য়াবা লম লৈরক্তবা, শুমাং থেলোং লৈরক্তবা কয়া অসিসু অচৌবা মরম অমনি। শুমাং লীলানা ষ্টেজ দা শান্নবসি অহানবদা য়াম্না হৈনরমদে, পকসু-পকচরমদে। অদুবু হৌজিক্তি শুমাং লীলা অমা শান্নবদা ষ্টেজ য়াওদবা য়াদ্রে। শুমাং লীলা অমদি ঈশৈনচিংবা মখল কয়াগী পর্ফোর্মেন্স পীনবগীদমক লৈকায় লৈকায়দা হৌজিক্তি রেদিমেদ ষ্টেজ কয়া শেম শাদুনা শাল্লগা শেল তান্নবা লৈরে। মরমদি ষ্টেজ হায়বসি মেন্দেটরি ওইরক্লে হায়জবনি।

মতম অমদা শুমাংলীলাগী ফিজেৎ লৈতেং অসি য়াম্না চল্লম্মী। অরৈবা খরনা অদুম শেৎ চাদুনা লীলা উৎপদা কনানসু করিসু হায়রমদে। অদুম পকচনা য়েংলম্মী। ঐখোয়না লীলা য়াওদ্রিঙৈ মতমদা, অহল লমন শাবদুনা লেংজুমদা ফি অমা য়াল্লগা থোরক্লম্বদু ইল্লিবা ফিদুনা ফনেক থোক ওন্থোকখ্রগা, লেংয়ান অদুনা মকোক থোক খুল্লগা হনুবী হেক্তা শাদুনা নীঙ্গাংননা ঙেক লাওনা ফমথখিবদা হনুবী হেক্তা ওনখি। মসিগী মতৌ অসি লৈখিদ্রবা ওজা ওইনাম বাবুনা হনুবী শাবদা য়াম্না তোয়না শীজিন্নরম্বা টেক্নিক অমনি। মসি অহানবদা ঐখোয়না ৱারী ওইনা তাজবদা লৈখিদ্রবা খুয়াথোংদগী ওজা শগোলশেম বিরনা তোয়না তৌরম্বা টেক্নিককনি। ওজা বির হায়রিবসি লৈখিদ্রবা ওজা বাবুগীসু ওজা ওইনা লৈবিরম্বনি। ওজা অনীমক্না হিংলিঙৈদা ৱারী শান্নজহৌবগী খুদোংচাবা ফংজবদা ৱারীশিং অসি তাকপীরম্বনি। ওজা শগোলশেম বির হায়রিবা অসি য়াম্না মতিক ময়াই চেনবা শুমাং লীলাগী ওজা অমনি। মহাক্না মহাক্কী লুচিং মখাদা পুথোক্তুনা শান্নরম্বা প্লেশিংগী মনুংদা মমিং পনবা য়াবদা - চন্দ্রজিনি, মহাপ্রভু ফিতা ওনবা হায়বনচিংবা লীলা কয়া অসি মতম অমদা য়াম্না মমিং চৎখিবা লীলানি।

মহাপ্রভু ফিতা ওনবা লীলা অসিদি নিংথৌগী অথিংবা ফাওবা থমখি হায়নখি। মসি লাইনীং লীচৎকসু খরা নক্লবা মখলগী লীলা পরিংনি। লীলা অসি ইবা ওজা অহল অদু পিশুম নিংঙোম লৈরক্তগীনি হৌজিক্তি লৈখিদ্রে। শুমাং লীলানা মতম মতমগী ওইবা সোসল ইস্যুশিং অসি খম থেংনা মীয়ামদা পুথোক পুথোক্তুনা উৎখি। মীয়ামগী পূক্লিং লৌশিং ফনা য়াম্না ওইনখি। মসি য়াম্না থেংথরল্লবা মতম হায়বদি ঐনা লীলা নিংথিজনা তৌরল্লবা মতমদসু মখা তানা পুথরকখি। চুম্নগী সোসল প্লে শান্নরম্বদগী মতম অমা নহারোল লালহৌবশিংগী ঈহৌনা য়াম্না কনখৎলকপা মতমদা ৱাহং য়াম্না হংবা অদুগা নহারোলশিংগী পূক্লিংদা ফাওখিবা পেন্দবা কয়াগী ৱাফম কয়া ফোঙদোকপা, নাকল অমরোমদা অদুগুল্লবা মুভমেন্ট অদুবু নমথনবগী মীংদা ষ্টেট এক্টরশিংগী অঙকপা অকনবা এক্সন কয়া অদুগী মতাংদা লীলা কয়া পুথোকখি। করি মরমগীদমক লালহৌরিবনো? নহারোলশিং অদুগী পূক্লিংদা লৈরিবা পেন্দবা কয়াশিং অদু করিনো? লালহৌ অদুবু করিগী নমথনবা মখল কয়াগী এক্ট পুশিল্লক্তুনা মীওইবগী রাইট শোকহন্নবা করিগী থৌওইনা তৌরিবনো? মীপূম খুদিংমকশিং অসি ষ্টেট এক্টরগী মমিৎতা য়েক্লবা ওইনা উবরা নৎত্রগা য়েক্লবা ওইনা লৌফম থোকপরা? লৈরিবা মুভমেন্ট অদুগী সোলুসন করিনো? হায়বনচিংবা ৱাহং কয়া হংবা লীলা মখল কয়া পুথোকখি। মদুগীদমক মখল কয়াগী অৱাবসু থেংনখিদবা নত্তে। অদুগুম্বা মখলগী লীলা পুথোকপগীদমক ঐহাকপুসু ষ্টেট এক্টরশিংগী মায়কৈদগী চ্যেক য়াম্না তোইনা তৌখি। ওবজার্ভ তৌখি হায়বা ঐনা ময়েক শেংনা খঙখি। অদুনা ঐদি ইচম চম্বা এক্টর অমনি হায়না তূমিন লৈথোকপগী মহুত্তা মীৎশিং নাশিংদবা য়াখিদবা কয়া য়াওখি। মসিগা মান্নবা মওংদা নন-ষ্টেট এক্টরগী মায়কৈদগীসু য়াম্না তোয়না ৱাহং পাউহং তৌখিবগী থৌদোক কয়া অমসু লৈখি। লীলাদা শীজিন্নরিবা দাইলোগ অমদি থৌদোকশিং অদুনা মখোয়গী ইমেজ শোকহল্লে, মদু লৌথোক্কদবনি, মদুনা মখোয়বু লান্না উহন্দুনা মখোয়দা হেন্না খুদোং থীহল্লে হায়বনচিংবা কয়াগী ৱাফম লাকখি। অদুনা করিগুম্বা মতমদা ৱাফংনবসু লৈখ্রে। তশেংবগীদি শুমাং লীলা হায়বসিদি মীয়ামগী অপাম্বা মীহুল অদু হুলহনবনি। মীয়ামগী থম্মোয়দা লৈরিবা, ফোঙদোকপা ঙমদবা ৱাফম কয়া অমা ইরায় লায়না হায়দোকপা শুমাং লীলানা ঙম্বা অদুগী খুদোংচাবা লৌদুনা মীচম মীয়ামদা ফাওরিবা ৱাখল্লোন অদু শুমাং লীলানা ইফোং ফোংনা হায়দোরকপনি। মদুদা হকথেংনরিবা খরদুদি নুংঙাইতবা ফাওরম্বা য়াই। অদুবু মদু ভোইস ওফ দি পিপলনি হায়না লৌবা য়াই। লাকখিবা ৱাফম খুদিং ৱারী শানদুনা তেনশিন্নখি। থোইদোক্লা অরুবা লৈনখিদে। অদুবু য়েং-য়েংদুনা লীলা ইবীয়ু, পুথোকপীয়ু হায়বা ৱাফম অদোমদদি লাকখি। মসিনা তাক্লিবদি, ঐখোয়না লীলা তৌরিবা অদুগী মহয় য়াল্লে হায়না লৌবা য়াই। মরমদি হায়রিবা ৱাফমশিং অদু য়ৌহহন্নীংবা মফমদা য়ৌবগীনি। অদুবু মায়কৈ অমরোমদা অমুক য়েংলবদি, মতমদুদা ষ্টেট এক্টরশিংগী মায়কৈদসু অঙকপা ফংনা মীয়ামদা নুংঙাইহন্দবা, অকি-অখং কয়া পোকহনবগী মতাংদা পেন্না পেন্না চৈখিবা, লাওখিবদু থোইদোক্লা মদুগী কান্নবদি ফংবা ঙমখিদে। অদুগী মহুত্তা অখন্নবা মীওই খরনদি অতম্লনা ৱারৌবা পোক্তুনা ইচম চম্বা আর্টিষ্টশিংদসু অরানবা মীৎয়েং য়েংখিবা তাঙ্কক কয়া লৈখি। মদুসু য়াম্না অৱাবা শাথীবা অমনি। মীওইবগী সাইকোলোজি হায়বসি অঙকপা অমনি। ইরায় লায়না ইফ ফনা খল্লগদি ইফদা ফবদু ফত্তবনা হান্না খনগল্লি। অদুনা লৈতানা ৱারী শানবা য়াদবগী মতাংসু লাকখিদবা নতে।

ৱারমশিং অসিনা লাক্লিংলিবদি শুমাং লীলা হায়বসি শুপ্নতগী মীৎ পেলহন্নবা, ৱারী নুংঙাইহন্নবা শান্নবা মখলগী লীলা অমা নত্তে হায়বা অসিনি। মসিদা খুন্নাই অসিগী নেগেটিভ, পোজিটিভ অনীমক্তা য়েংদুনা ফ্যুচরগী পুন্সিরোল অমা অমদি মতম মতমদুগী বর্নিং ইস্যু কয়া অদুদা পূন্না শরুক য়ামিন্নদুনা সোল্যুসন অমা থিমিন্নবা মখলগী প্লেনি হায়বা অসিনি। অদুনা ওইবা তাই শুমাং লীলা অসি মীয়ামদগী ইনান নান্থোকপা ঙম্নদে। মদুগী মহুত্তা হেন্না হেন্না শুমাং লীলাগা মীয়ামগা নকশিন্নবা হেল্লক্লিবা অসি। অদুবু হৌজিক্তি অরুবা ৱাহং খরা থোরক্লে, শুমাং লীলা অসি মমাঙঙৈ মতমগুম্না মতিং লৈনা হিংবা ঙমখিগদ্রা, ঙম্লোইদ্রা হায়বা অসিনি।। ●

# "মেক্সিকোগী মমোম লৈরাং সনারৈ"

- এল ইবোমচা -

পোইরৈ লৈবাক শিন্নবু
লৈরাং লৈশাৎ তম্লিবী,
মেরা থাগী সনারৈ
সনা মচু মানবী লৈ,...!

কুমজা ১৯৬২/৬৩ অদুৱাইদা মণিপুরদা লৈরিবা য়ূমথোঙ খুদিংনা মশা মশাগী ইঙ্খোলগী মনা মশিং কোইবদা লিহিং পাম্বী, অনালবা পাম্বী অমসুং লশিং পাম্বী য়াওনরম্মী অদুগা সনারৈ পাম্বীদি কনানসু থওইনা থারুবা তৌদনা ইঙ্খোলগী মনা মশিং মরক, পুখ্রি মপাল, য়েন্নখা-লুখা অমসুং লাইগী লাইশঙ ময়াদা পংহৌদা হৌজে অদুগা মেরা থা য়ৌরক্লবদি মশানা খঙনা লৈরাং লৈশাৎ অদুমক তম্লকই। ইশাগী ইরেপ্তগী খরা হেন্না ৱাংদুনা মপূং মরৈ ফারবা লিহিং অমসুং অনালবা পাম্বীশিং অদু অথৌবা থাঙ অমনা মখোঙ খম থেংনা য়ান্থৎলবা মতুংদা থৌরি তাবা হৈবা মীওই অমনা থাঙ "শঙগাই" না নিংথিনা তঙ্খাই তাহল্লগা খোক্লবা মকুদু নুংশাদা কংনা ফৌদোক্লবা তুংদা ঈশিং থার-থারদুনা খোঙ অনী অমসুং খূৎ অনী চঙনা থৌরি তাই। তারিবা থৌরিশিং মখল মখা য়াম্না য়াম্মী। খরদং পল্লবদা ষণ থৌরি, শমপোৎ থৌরি, কোন্থৌরী থৌরি, লাঙ্গোল থৌরি, ফৌবোম থৌরি, ইন-চিং থৌরি অমসুং পোলাংখোক থৌরিনি। অদুগা লিহিং অমসুং অনালবা মকুদুনা পুখ্রি নৎত্রগা খোংবালগী ঈশিংদা নুমিৎ খরনি নিংথিনা মফোল তানা তিংলবা তুংদা নুংশাগী মৈশাদা উই-উই লাউনা কংহল্লবা তুংদা খোঙ-খূৎ চংদুনা তাবা থৌরি মখল অসিনা লিমোন থৌরি হায়রগা খঙনৈ। থৌরি মখল অসি পায়বদা মোন-মোন লাউই, য়েংবদা মশক মতৌ ফজে, লিহিং থৌরিদগী মপাঙ্গল কনবা হেনবগী মতিক মমলসু কা হেন্না তাঙই। থৌরি মখল অসি অকে-অমৌগী পোৎ চৈ পুনবা অমসুং লৈতেংগী অরং-অরাক্কী পোৎ চৈ য়ানবদা শীজিন্নৈ। অদুগা মেরা ৱায়ুংবা (ৱাখিনবা) গী মেরা থাউমৈ চিংখৎ চিংথদা শীজিন্নরিবা খূৎনাওবীনা হেন্না চাউবা লিমোলনা তাবা থৌরি মখল অসি মীয়াম্না মেরা থৌরি হায়রগা খঙনৈ। থৌরি অসি খোঙনা খূৎনা শোক্তনবা য়ারিমখৈ হোৎনৈ। মরমদি লাইগী থৌরম, অকে অমৌগী থৌরম খক্তদা শীজিন্নগদবা ওইবননি। মীনা ৱাইগে হায়রবদা পীনদে, পীরুবদগী তৎপা, খোৎপা য়াওরবদি শেল ওইনা নৎত্রগা অহনবা অমা লৈরুরগা শিংনৈ। অদুগা শামু থৌরি, কাং থৌরিসু লিমোলনা তারগা শাই, মপাঙ্গল কল্লি, মমল তাঙই, অদুম্নদি ওইরগা কাং থৌরিদি খোঙনা খূৎনা শোক্লদে। মতমদুগী ওইনা য়ূমথোঙ খুদিংগী ষণ, ইরোই লোয়নবা ঙাক্তা ওইবনা ষণ থৌরি মরাং কাইনা লৈনৈ। তৌবতবু শেল পায়দবা ইমুংশিংদি লিহিং অমসুং লিমোল থৌরি লৈবা ঙমদবদগী খরা হোংবা পায়ানা তাবা থৌরি ওইনা লৈরগা ষণ, ইরোই পুল্লি।

অমরোমদা, লশিং পাম্বী পংচাউ চাউদনা লেপমুক্তং ৱাংলগা মসা মরেং খরা হেন্না লোংবা, য়েংবদা মশা তনান তনান্না, তনোপ তনোপ্না পংচাউ চাউদবা মখলগী পাম্বী মচানি। লশিং শাৎকদবগী পোম্বা হেক হৌরকপদা য়েংবদা লুপা কোন্দুম মান্না ফজে। লুপা কোন্দুম মানবা মচিন্দুদগী মতুম তারপ তৌনা ঙৌরোক ঙৌনা লশিং শাৎলকপা মতমদা য়েংবদা অদুক্কী মতিক ফজমনখিবনা অউবা খুদিংনা খূৎনা পায়রগা য়েংনীংবা ফাওই। নিংথিনা য়েংশিনবা ৱাৎপদগী করিগুম্বা লৈরাং লশিংনা হান্না মপূং ফানা শাৎকাইবনা হানখ্রবদি লিরি-লিরি শিৎলকপা মালংবা নুংশিৎনা ইরায় লায়না খা-রাই খঙদখৈ মফোল ওইনা অরেম্বদা মালংদা হুমদুনা পুখিবা ঙম্মী। মরম অসিনা তাঞ্জা-মেঞ্জা খঙনা, মতম চানা লৈরাং লশিংদু খূৎনা তপ্না-তপ্না হেক্লগা লশিং কাপোন্দা হাপ্তুনা পুরক্লগা নুংশাদা মপূং ফানা কংহল্লবা তুংদা কপত্রেংনা নিংথিনা নাইদুনা মরূশিং অদু শিৎ-নান্না লৌথোক্লগা লশিং কাপোন্দা হুইত্রিনা মফোল তানা কাপথোক্লগা তরেংনা লং ওইনা চিংথোক্লবা মতুংদা তরেং মশা অমসুং লংহন্না লং হারৈ ওইনা ওন্থোক্লবা তুংদা ঐখোয়গী নুপী ওইবীশিংনা ইয়োংদা অমসুং খ্বাংদা য়ূমগী শীজিন্নবা অমসুং কৈথেলদা য়োন্নবা মখল মথেলগী ফি-রোল কয়া কয়া শাই। কৈথেলদা য়োন্নবা ওইরবদি মীনা হেক য়েংবদা পাম্নবা হায়দুনা য়াম্না চেকশিন্না তনান তনানবা মচু মমেলদা মখল মথেলগী ফী-রোল কয়া কয়াসু শানরম্মী।

অদুগা চহী অমগী মনুংদা অমুক্তং লাকপা মেরা থা য়ৌরক্লবদি কৈথেল কাখিবা মীওই অমত্তনা মেরা থৌরি লৈদনা হল্লক্তবা য়াওদে হায়বা য়াই। মরমদি খূৎনাউবীনা খরা হেন্না চাউবা থৌরি মচা অসি য়ূমথোঙ খুদিংগী মেরাগী পুর্নিমা নুমিত্তা ৱা য়ুংলগা (ৱাখিনবা) হিয়াঙ্গৈগী পুর্নিমা নুমিত্তা ৱা ফুকপা হায়বদি থা অমগী ওইবা মেরা থাওমৈ থানবগী চিংখৎ চিংথদা শীজিন্নবনি। মেরা থাওমৈ থান্নবগীদমক মশা মশাগী ইঙ্খোলদা হৌবা ৱাপলদগী ময়ামদগী খরা হেন্না ৱাং চাউনা মশক মতৌ ফজবা ৱা অমা খল্লগা য়াল্লি। অদুগা ৱা অদুগী মতোনগী অপূংবা শরুক অদুখক পুন্না খাকহৌরগা অতৈ লেমহৌবা মসা মরেংশিং পূম্নমক শিৎ-নান্না হিদোক্লগা মতোন্দুদা মেরা থৌরি চেন্নবা দোরি হাপ্লগা মৈরা চুরবা পোদোন মচা অমা হাপ্পা য়াবা উপু মচাদুদা নৎত্রগা লাতেনগী মরীদা চেৎনা পুল্লগা নুমিদাংৱাইরম য়াচংবদা চিংখৎলগা মথং অঙনবা অয়ূক্তা অমুক চিংথবদা থৌরি মচা অসিনা ওইনা শীজিন্নৈ, অতৈ অতোপ্পা থৌরিনা মহুৎ শিনবা য়াদে। মেরা ৱায়ুংবা (ৱাখিনবা) গী মরমদা মমাঙঙৈদগী হৌনা চিন্থাং পাউথাং ওইনা অসুম হায়নদুনা লাক্লবা নুংগী ওইবা ৱাহন্থোক লৈ। মদুদি চীংনা কোইনা পনশাবা, হাউনা কোইনা পনঙাকপা, খৈইনা য়াংকোক মওং মানবা মণিপুর সনালৈবাক্তা পূন্না খুন্দামিন্নরিবা চীং-তম অনীমক্কী মীওইশিং ইমা অমত্তনা হেক পোকপা মচিন মনাওনি, হায়বদি চীংদা তাবনা ময়াম্বনি অদুগা তমদা তাবনা মনাওনি হায়বসিনি। হান্ননা চীংদা পূন্না খুন্দাদুনা লৈমিন্নরম্বদগী খয়ুম লাই অমনা ঈশিং চিংথোকখিদুনা তম্পাক্কী লম শেল্লবা তুংদা তম্পাক লমদা মনাও ওইবা মৈতৈশিংনা মেরা থাগী থানিল নুমিত্তগী খুন্দাবা হৌখি হায়না থাজনবা লৈ। মরম অসিনা চহী খুদিংগী মেরাগী থানিলনা লাকপদা তম্পাক্তা খুন্দা লৈতাদুনা লৈখ্রবা মৈতৈশিংনা ময়াম্বা ওইবা চীংমীশিংদা ঐখোয় নুংঙাই য়াইফনা, তেক্তা কায়দনা লৈরি হায়বদু খঙহনবা ওইনা মখোয়না উজনবা হায়দুনা অৱাংবা ৱাতোন্দা মৈ ঙান্না থানবনি হায়না থাজনৈ।

অতোপ্পা থাজনবা অমা হায়বা তারবদি নোঙ্গাখ্রবা ঐখোয়গী অহল লমন, ইপা ইপুশিংগী থৱায়গী মফমদা লাংবন থাদা চেঙ, থোইদিং, হৈ-লৈ য়াওনা লুকলেন কৎপগী মখা শমথরকপা ওইনা মেরা থাওমৈগী অপূংবা ৱাগী মতোন্দা সনারৈ পরেংনা জুম-জুম লাউনা লৈতেংলগা শিৎ-নান্না ৱাই তৈথোক্লবা তুলশিবোং মখোঙদা মেরা থাওমৈ ৱা য়ুংবনি হায়বসিনি। মেরা থাওমৈ ৱাদুগী মখোঙদনা সনারৈ লৈরাং পরেং পরেং, চবুল-চবুল, হৈরুক তাঙ্গা, পানা তাঙ্গা, ধুপ থাওমৈ কৎতুনা লৈখিদ্রবা অহল লমনশিং অদুগী থৱায়শিং অদুনা অমুক্কা হেন্না পেনবীনবা হায়দুনা ইমুংগী মীওইশিং পূন্না তুলশিবোং মখোঙগী অকোয়বদা ইকোই কোইনা লেপমিন্নরগা "দামুদরায়ও, তুলসী দরায়ও" হায়দুনা খূৎ অনীনা তান থার-থারগা ঈশৈগুম শক্তুনা লৈহৌরিবা মচা মশুশিংনা কৎচবনি হায়নৈ। অশেংবদি "মেরা ৱায়ুংবা" সনারৈ লৈরাংগী চাউরবা কুম্মৈ অমনি হায়বা য়াই। মরম অসিনা মেক্সিকো লৈবাক্তা মপাম লমদম ওইজরসু মালেমগী লৈকোল শিন থুংনা হৌই, ইরমদম মণিপুরগী ইঙ্খোল শিন্নবু মেরা থাদা লৈরাং লৈশাৎ তম্লবদগী "মেরা থাগী সনারৈ" হায়না মীয়াম্না শিংথাদুনা সনা মচু মান্না চংখোন্না লৈশাৎ তম্লিবী লৈরাংনি "মেক্সিকো মমোম লৈরাং সনারৈ"...! ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।